## শ্বামী শীবানন্দগী ৫৫শুবা পুন্যটিথি অরাধনা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, আগষ্ট ০৫ঃ

ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাংখৈ অয়াংপল্লি কৈথেল অশাংবীদা লৈবা ব্রহ্মচারিময়ুম অমুসনাগী শঙ্গাইদা ঙসি শ্বামী শীবানন্দ ফাওন্দেসন সেন্টর ইম্ফালনা শীন্দুনা শ্বামী শীবানন্দগী ৫৫শুবা পুন্যটিথি অরাধানা থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ক্ষেত্রিগাও কন্সটিট্যুসনগী এমএলএ নহাকপম ইন্দ্রজিৎ, য়াইস্কুল কন্সটিট্যুসনগী এলএলএ থোকচোম শৈত্যব্রত, দিভাইন লাইভ সোসাইটিগী ষ্টেট কমিতিগী এদভাইজর শ্বামী গোপাল কৃষ্ণনন্দনা অখন্নবা অতিথি ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা শ্বামী শীবানন্দনা ইবা ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মানা মণিপুরী লোলদা হন্দাকপা যোগগী লাইরিক অমসু ফোংদোকখি।

এমএলএ ইন্দ্রজিৎনা হায়, মীওইবা অমা ওইনা চৎনিংবা, অপাম্বা থর্ম্মদা চৎপদা কনানসু থিংবা ঙমদে। অদুবু ইপা ইপুশিংনা চৎনরম্বা লাইনিং লম্বীদি মীরোলসিনা মশক খঙবা মথৌ তাই। মণিপুরী লমদম অসিদা মশীং থিঙমদ্রবা লাইনিং লম্বীশিং চৎনরিবসিগী মহুত্তা অমত্তা ওইবা লাইনিং লম্বী চৎপা মথৌ তারি।

লমদমসিদা মশক নাইরবা শীংথানিংঙাই ওইরবা লুচিংবশিং মশীং থিঙমদনা লৈখ্রে। খুন্নাই অসিদা অফবা থৌরমগীদমক লুচিংবা ঙম্বা মীওইবু ঐখোয়না মহাক্লা চৎলিবা লম্বীদা ইল্লবদি চাখওৎপা, নুংঙাইবা, ইংতপ্পা লমদম অমা ওইবা ঙমগনি হায়না ফোংদোকখি।

এলএলএ সৈত্যাব্রতনা হায়, শ্বামী শীবানন্দনা ১৯৩৬তা দিভাইন লাইভ সোসাইটি লিংখৎপীরম্মী। সোসাইটি অসি লিংখৎখিবগী মরমদি মীওইবা জাতিনা অমনা অমবু অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংবগা লোয়ননা সেবা তৌবনি। শ্বামীগী ৱাখল্লোল অসি মালেমদা লৈরিবা মীওইবা খুন্নাইবু তংদু লৈতানা লৈনবা ওইনা মহাক্কী লিক্লমদা ঐখোয়না চৎপা মথৌ তাই। নোংমাইজিং চীংদা লৈরিবা গৌর নগরবু হিষ্টরিকেল সাইট অমা ওইনা শেমগৎপগী ৱাফমসু মহাক্কী অঙম্বা থাক্তা মরী লৈনবা মিনিষ্টরদা তক্লদুনা হোৎনগনি হায়বগী থাজবসু পীখি।

লমায় ১ গী মখা

## এন পি এফনা নাগা ইশুগী মতাংদা লৌখিবা ৱারেপতা...

পাউগী মীফম অমদা তোম্বীনা মখা তানা হায়, হৌখিবা বিধান সভাগী মীখল লোইরবা মতুংদা মেজিক নম্বর ফংনবগীদমক পুনবা য়াবা য়াদবা য়েংদনা পার্টিশিং পুনলগা সাসন পায়খিবনি।

হৌজিক সাসন তৌরিবা বি জে পিনা লুচিংবা গভর্ণমেন্ট অসিনা এন পি এফসু কম্মন মিনিমম প্রোগ্রাম অমত্তা থমদনা খোঙবু ওইনা পুন্না চৎমিন্নরি।

গভণমেন্টনা নাগালেন্দগী নাগাশিং পুনশিনবা অমসুং মখোয়গী য়াইফ থৌরাং লৌখৎপগী থবক থৌরমশিং পায়খৎপদা সিব সেনা অমসুং মীয়াম্না তরাম্না ওকই অমসুং কল্লকপা লৈতে।

অদুবু সাসন পায়মিন্নরিবা এন পি এফনা হন্দক্তা নাগালেন্দদা পাঙথোকখিবা পার্টিগী ওইবা মীফমদা মখোয়গী কন্সটিট্যুসন্দা য়াওদুনা লৈরবা নাগা তাবা লমশিং পুনশিনবগী ৱাফম অমুক হন্না চেৎশিনহন্নবা ফিরেপ লৌখিবা অদু ষ্টেট অসিদা সাসন পায়রিবা বি জে পিনা য়ারব্রা।

এন পি এফ অমসুং এন এস সি এন–আই এমগী ৱাফম অসিদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা য়ারব্রা হংলি হায়খি।

অমরোমদা ইন্দিয়া অমসুং ম্যানমার ঙমখৈ পরিংদা লৈরিবা বোর্দর পিল্লর ৮১ অসিদা হন্দক্তা সর্ভে টিম অমা লাক্কুনা য়েংশিনলখিবা লৈরে। বি পি য়ুংলিবা মফম অসি লাল্লি হায়বগী মতাংদা মতিক চাবা প্রমান লৈরবসু য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টকী এম ও এস হোম কিরেন রিজিজুনা ঙমখৈগী চয়েৎনবা লৈতে হায়বসি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা পীবা রিপোর্টনা হায়বনি।

মমাঙদা মফম অসি গভর্ণমেন্টকী ওইবা কম্মিতিগী চেয়ারমেননা লমগী চয়েৎনবা লৈতে হায়খিবদুদগী কিরেন রিজিজুনা লমগী চয়েৎনবা লৈতে হায়খিবনি। মরমদি মহাক মফম অসিদা লাক্কুনা য়েংশিল্লবা লৈখিদে হায়খি। মরম অসিনা গভর্ণমেন্টকী কম্মিতি অদুগী লুচিংবা রেভিন্যু মিনিষ্টরনা হিরম অসিগী মতাংদা শেঙদোক্কদবনি হায়খি। ঙমখৈগী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা অমা হায়বা, প্রজানা অমা হায়বা অমসুং দি সিনা অমা হায়বা তৌদুনা লৈরি। মসিনা সেন্টরনা লমদম অসিদা লৈরিবা মীওইশিং অসি উশিত্তবনি হায়না লৌই হায়খি।

সেন্তরদা সাসন তৌরিবা গভর্ণমেন্টশিংনা মণিপুরগী লম অসি ম্যানমারদা পীথোত্তুনা লাক্লি। কংগ্রেসনা সাসন তৌবা মতমদা কবো তম্পাক পীথোকখ্রে। হৌজিক্লা বি জে পিনা সাসন হেক পায়রকপগা জাতি কাঙলুপ মশেল মরক্তা নুংশিনদনবগী থৌশিং চখদুনা মণিপুর কায়বা কায়দবা খঙদে, ইন্দিয়া কায়দ্রগা লোইরে হায়বগী মওংদা চখদুনা লৈরি।

মণিপুরগী লৈরিবা ইশুশিং অসিগী মতাংদা পোলিটিকেল পার্টিশিং দলগী খেন্নবা থম্বা চুন্লোই। ৱাথোকশিং অসি পুন্না সন্তাইমিন্নবা দরকার লৈ হায়খি।

হন্দক অসামদা এন আর সিগী লিষ্ট ফোংদোকখ্রে। মীওই লাক্ষ ৪০ হেনবা লিষ্ট অসিদা য়াওরমদ্রে। মণিপুরদা নৌনা চঙশিল্লকপা থিংনবা থবক লৌখৎলি। অদুবু হান্নমা চঙশিন্দুনা লৈখ্রবশিংবু খঙদোকপা মথৌ তাই হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

মরম অসিনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা এন আর সি অসি মণিপুরদসু চৎনহন্দুনা হান্নমা চঙশিন্দুনা লৈখ্রবা মীতোপশিং অসি খঙদোক্কবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ।

ষ্টেট অসিদা হৌজিক লৈরিবা ইশুশিং অসি পার্টি ময়াম অসিনা তরেৎ তরা থোক্লা খন্নহন্নিংই হায়খি। ইন্দিয়াগী মনুংদা লৈরিবা ষ্টেটশিং অসিনা গভর্ণমেন্টনা তৌরকপা থবকশিংদা পেন্দ্রবা মতমদা দিল্লিদা চত্তুনা খোঙজং চঙশিন্নরি। মীয়ামগী পেন্দবা খোঙজং চঙশিনফম মফম অমা জন্তর মন্তরদা শেমদুনা থন্লি। মণিপুরদসু মীয়ামগী য়ানিংদবা ফোংদোকফম মফম অমা গভর্ণমেন্টনা পীফম থোকই। ষ্টেট অসিদদি পেন্দবগী খোল্লাউ লাওরুবা মীওইশিংবু ফাবা পুনবা, ফুবা চৈবা তৌবা অসি তৌফম থোক্তবনি হায়খি।

## এম য়ু হাংদোক্কুনা মথৌ তৌহনবদা মুসু, মুটা অমসুং...

সি এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যাম, য়ুঠ এফেয়ার্স এন্দ স্পোর্ট মিনিষ্টর লেটপাউ হাউকিপ অমসুং পি ঐচ ই দি মিনিষ্টর লোসি দিখো য়াওনা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা জয়কুমারনা হায়, লৈরিবা ৱাথোক অসিগী মতাংদা মিনিষ্ট্রিয়েল টিম অমনা এম য়ুদা চত্তুনা মুসু অমসুং মুটাগী মীহুৎশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নরুরবা মতুংদা অনৌবা অহোংবা খরা উবা ফংলে।

মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না ভি সি এ পি পান্দে অসি লৈহন্দনা ইনক্কারি তৌবা অসি মীয়ামগী অপাম্বা ওইবনি। মহাক লৈরবদি ইনক্কারি তৌবা য়ারোইদবনা গভর্ণমেন্টনা কন্না তক্লবদগী মহাক ছুটিদা চৎখ্রে।

মসিদা নত্তনা গভর্ণমেন্টকী মীহুৎশিং উন্নবা অদুদা ভি সি থাদোকখ্রগা ভি সি ইন চার্জ অমা হাপ্পবগী ৱাফম পুথোরকপদগী সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টতা তক্লদুনা ভি সি ইন চার্জ অমা এম য়ু এক্টকী মতুংইন্না হাপ্পকখ্রে।

মসিদা নত্তনা ফেক্ট ফাইন্দিং কম্মিতি অমা শেমখিবা লৈখ্রে। মসিদা অপাম পামদা খরদি লৈ, অদুবু মসি ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী অপাম্বা মতুংইন্না থবক তৌবা য়াদবা লৈ। সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা মসিগী কম্মিতি অসি শেল্লকখিবনি। মসিদা ষ্টেটটনা তক্লদুনা মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না থবক্তগী পোত্থারবা চীফ জষ্টিসনা লুচিংবা কম্মিতি অমা শেম্লে।

মরম অসিনা মুসু, মুটা, মুসাগী মীহুৎশিংনা মহৈরোইশিংগী তুংগী লম্বী য়েংলগা হৌজিক য়ুনিভর্সিটি থোঙ লোনবনা মরম ওইরগা প্রোভিজনেল মার্কশিট পায়রগা মিং চন্দুনা মপান্দা লৈরিবা লোয়ননা ওরিজিনেল দোক্যুমেন্টশিং ঙাইদুনা লৈবা মহৈরোই কয়াগী তুংগী পুন্সিগী খন্থবীয়ু হায়খি।

ইশু অসি কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুংদা গভর্ণমেন্টনা হায় পৱার মিনিষ্ট্রিয়েল তিম অমা ৱাথোক অসি য়েংশিন্নবগীদমক শেমখিবনি।

মুসু অমসুং মুটানা পান্দেনা ছুটিদা লৈরিঙৈগী মতম অসিদা কম্মিতি অসিনা থিজিনহনবা লোয়ননা করিগুম্বা কম্মিতিনা থিজিনবা অসিগী ফলদা পেন্দবা লৈরবসু মদুদা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু খন্থহন্নিংই হায়খি।

মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরিবনি। গভর্ণমেন্টনা ৱাথোক অসি লুম্না লৌরিবনি। লোয়ননা মীয়াম্না অপাম্বা অদুদা মীৎয়েং থন্লিবনি। মরম অসিনা মুসু, মুটানা খন্থবীদুনা খোঙজং মতম খরা কোমথোকপীদুনা নোর্মেল ওইনা এম য়ু অসি থবক তৌবা য়াহনবদা মতেং পাঙবীয়ু হায়খি।

লাক্লিবা আগষ্ট ৬ ফাওবদা এম য়ু হাংদোকহন্দবা তারবদি অটসুমনা খোঙজং চংশিনগনি হায়রিবা অসিগী মতাংদা দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরনা হায়, অটসুমগী ফিরেপ অসি হন্দাকপীয়ু। গভর্ণমেন্টনা ৱাথোক অসি লোইশিন্নবা হোৎনরিবনি। মসিনা ঐখোয় মশেল খৎনরগা অতোপ্পা মীনা নোক্লখিগদবা মওং অদু তাহন্নিংদে হায়খি।

হৌজিক লৈরিবা ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা ওইরক্লিবা ফিভম অসি খন্নবা মুসু অমসুং মুটাগী মীহুৎশিংগা গভর্ণমেন্টকা উন্নদুনা মখা তানা ৱারী শান্নবা হোৎনরি হায়খি।

পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়ারদুনা এদুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যাম্না হায়, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি এক্টকী মতুংইন্না কনাগুম্বা ভি সি অমা নাবা নৎত্রগা মহাক লৈতবা মতমদা সেনিয়ারমোষ্ট প্রোফেসার অমবু ইনচার্জ ভি সি ওইনা হাপকনি। মরম অসিনা প্রো. ভিস্বানাঠনা সেনিয়ারমোষ্ট প্রোফেসার ওইবনা মহাকপু ইনচার্জ ভি সি ওইনা হাপখিবনি।

হৌজিক ষ্টেট অসিদা প্রাইভেট অমসুং এদেদ কলেজ পুন্না কলেজ ৯৩ লৈরি। মসিগী মহৈরোই মশীং অসি লিশিং ৮২–৮৩ রোম লৈরিবনি। মসিদা ফাইনেল ইয়ার তন্লিবা অসি চাউরাক্লা মহৈরোই লিশিং ২৭ রোমনি।

মখোয়গী পরিক্ষা হায়দোকপা অসিনা খ্বাইদগী মরু ওই। মরম অসিনা মসি হায়দোকহনবা চুমগনি হায়না লৌই। মখোয়গী মিং চনবা য়ানবা মখোয়গী পুন্সি কন্নবা হোৎনবদা মতেং পাঙবীয়ু। ভি সি ছুটি পিখিবা অসিদি ঐচ আর দি মিনিষ্ট্রিগা পাউ ফাওনরবা মতুংদা রেজিষ্ট্রারনা ওর্দর থোকখিবনি হায়খি।

## মীয়ামগী মায়োক্তা অরোনবা পান্থে কয়া চখরক্লি...

১৯৮০গী সেপ্টেম্বর ৯দা মণিপুর শীনবা থুংনা থমজিন্দুনা ঙসি ফাওবা মীওইবগী হকপু খোঙ্গাওনবগী থৌওং কয়া চখদুনা লাক্লি। অসিগুম্বা থৌওংদা মীওই ৮৯৮৩ হাৎখ্রে অমসুং মীওই ১৫২৮না শাশিন্নবা খূৎ থোক্লবা নৎত্রগা এক্সত্রা জুদিসিয়েলদা হাৎখ্রে। শিখিবশিংগী মনুংদা ময়ুমদগী ফাখ্রগা নৎত্রগা লম্বীদগী ইফোঙ ফোংনা মীয়াম মাঙদা ফাখ্রগা লম্বী লক্মাংদা হাৎতোক্লগা হুন্দোলম্বা, মশা ফাওবা থিবা খঙহন্দবা কয়া য়াওখ্রে। মদু মখোয়না তৌবা নত্তে, ফাখিবা লৈতে হায়না মরাল কুপশিনবা কয়া অমসু য়াওরি। ঙসি ফাওবদা আইওএফনা ফারগা মফম মরাং খঙদনা মাঙহনখিবসি মীওই ১৬ শুরে। ফিভম অসিদা হৌজিক ফাওবা অচুম্বা ৱায়েল ফঙদ্রিবা ৱাজরিবা ইমুং অমসুং মীওইবা খুন্নাইগী হক্কীদমক চোংথোক্লিবা হ্যুমেন রাইটস এলার্দ অমদি ফেক ইনকাউন্টনা শোকহল্লবা ইমুংশিংনা শেম্বা লূপ এক্সত্রা জুদিসিয়েল এক্সজিক্যুসন ভিক্টিমস ফেমিলি এসোসিয়েসননা ইনিদয়াগী খ্বাইদগী ৱাংবা ৱায়েল লোইশঙ সুপ্রিম কোর্টতা থাখিবা পিআইএল অমগী মতুংইন্না এক্সত্রা জুদিসিয়েল খরা থিজিনবদা অয়াবা পীখি। মসিগী মতুং ইন্না থিজিনবদা তশেংনা ফেক ইনকাউন্টরদা শিবনি হায়না উৎখিবসু লৈরে। মতুং তারকপদা মীহুৎ খরসু থিগৎনবা অয়াবসু পীখ্রে। অদুবু চৈরাক ফঙদুনা কৈশুমশঙদা অৱাবা খাঙদুনা লৈরুগদৌরিবসি কনানো হায়বা অদুদি ৱাহং ওইরি।

মথং মথং...

## নোংমৈ মরু ৪গা কোন্নমা ফারে

ইম্ফাল, আগষ্ট ০৫ঃ

ঙরাং নুংথিল লিলোং পুলিস অমসুং ৫০জে এন্দ কে রাইফলসকী কম্বাইন্দ টিম অমনা লিলোং লিতান মখোঙগী অলিয়া থোং ময়াদা থি–হুম্বগী থবক চখবদা মীওই অমা নোংমৈ মরু ৪গা কোন্না ফারে হায়রি।

ফারবা মীওই অদুদি এমদি সাহরুক খান (২২) অপোকপা এমদি অব্দুল খালিক এলাইজ অবোতোন কৌই। লিলোংদগীনি হায়রি। মঙোন্দগী ফারবা নোংমৈ মরুশিংনা ৭.৬২গী ৩ অমসুং পোইন্ট নাইন এমএমগী মরু ১নি হায়রি।

## দব্লিউ ৱাই টেব্লেট ৯৬০ ফারে

ইম্ফাল, আগষ্ট ০৫ঃ

ঙসি নুংথিল পুং ১.২০ রোম তাবদা আসাম রাইফলননা খুদেংথাবী চেক পোষ্টতা চেক তৌবগী থবক চখরিঙৈদা মোরে রোমদগী কেনবো বাইক থৌরগা লাকখিবা মীওই চেক তৌবদা দব্লিউ ৱাই টেব্লেট ৯৬০ য়াওরম্বদগী ফারে। ফারবা মীওই অদুদি লেলেট মাতে(৩৭) অপোকপা জাম থাং মাতে কৌই। মোরে ৱার্দ নম্বর ৯দগীনি। মহাক্লা দব্লিউ ৱাই টেব্লেটশিং অদু মহাক্লা থৌরকখিবা কেনবো বাইককী হেদ লাইট মনুংদা হাপ্লগা পুরকখিবনি হায়রি।

## য়ু জি অমা টৌইগনগা কোন্নমা ফারে

ইম্ফাল, আগষ্ট ০৫ঃ

ঙসি অয়ুক পুং ৫ রোম তারকপদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগী টিম অমনা কেসিপি (নোয়োন)গী মেম্বরনি হায়বা মীওই অমা তোইগন (পিষ্টোল) অমা অমসুং মোবাইল ফোন অহুমগা কোন্ননা য়ুম অমদা চঙজফম লৌদুনা লৈরম্বদগী ফারে হায়রি।

ফারবা মীওইসিগী মমিং এমদি অশিক (৩৫) অপোকপা এমদি অব্দুল লভিফ কৌই। ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুন মমাঙ লৌবোত্তংগীনি হায়রি।

মহাক লমদোং খুনৌদা লৈবা সোইবম তেলেমখোম্বা মৈতৈগী য়ুমদগী ফাবনি। মহাক লালহৌলপসিদা জনুৱারী, ২০১৪দা থিনুংঙৈদগী নাওতোন কৌবা অমগী মুখাংদা য়াওবনি। অদুগা মার্চ, ২০১৪দা বিষ্ণুপর দিষ্ট্রিক্ট কম্মান্দোগী কম্বাইন্দ টিম অমনসু ফারুরে।

মহাক হৌজিক জিরিবামদা লৈবা অৱাং খুনৌদগী ইনাওচা কৌবা অমগী মখাদা থবক তৌবনি হায়রি।

লমায় ১ গী মখা

## পাক্তক্লনা কোম্বিং ওপরেসন চখখ্রে, কেৱাইকেএল কাদর ১ ফারে

অমরোমদা সিটি পুলিসকী বজার কম্মান্দো য়ুনিৎনা ঙসি নুমিদাংৱাইরম খ্বায়রম্বন্দ কৈথেলগী মসজিদ রোদতা কোম্বিং ওপরেসন চখখি। মফমদুদা লৈরম্বা মীওই কয়া পরেং শাংনা লেপহল্লগা অমমমতা ওইনা চেক তৌখি। মদুদা মশাগী শক্তাকচে ওইবা য়াবা চে চাং অমফাওবা য়াওরমদবা মীওই ৯বু মখাতাবা ভেরিফিকেসন চখনবগীদমক সিটি পুলিসতা লৌখৎখি।

কম্মান্দো য়ুনিৎ অসিমক্লা থঙ্গাল বজার অমসুং অলু গল্লিদা কোম্বিং ওপরেসন চখখি। মদুদা চিংনবা মীওই ১১ মখাতাবা ভেরিফিকেসন চখনবা সিটি পুলিস ষ্টেসনদা লৌখৎখি।

চিংমৈরোং মনিং লৈকায়দসু ইম্ফাল ৱেষ্টকী কম্মান্দো য়াওবা পুলিস টিম অমনা থিবা হুম্বগী থবক চখখি।

ইম্ফাল ইষ্টকী কম্মন্দোগী টিম অনিনা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৪.৩০দগী ৬ ফাওবা ৱাংখৈ অঙোম লৈকায়গী য়ুম ১০২দা চং–চংদুনা থিবা হম্বগী থবক চখখি। মদুদা মীওই ৩ ফাগৎত্তুনা মখাতাবা ভেরিফিকেসন চখনবগীদমক পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখি।

সৱোম্বুং কম্মান্দো অমদি সৱোম্বুং ভিদিএফনা পুল্লগা সৱোম্বুং থোংদগী গেট ফাওবদা লৈবা য়ুম ৫০ রোমদা চং–চংদুনা থিবা হুম্বগী থবক চখবগা লোয়ননা মীওই ১১০ ভেরিফিকেসন তৌখি হায়রি।

## সিএম উন্নরগা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনগদৌরি

উন্নরুবদা মতুংদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ওর্গনাইজেসন অহুমগী ইম্মর্জেন্সি মিতিং পাঙথোক্লবা মতুংদা ৱারেপশিং অসি য়াওনা ৱারেপ ৬ লৌখি।

মীফম অদুগী মতুংদা চীফ মিনিষ্টরগা উন্নবা বর্ত্তন তৌরবদি মুসু, মুতা অমদি মুসাগী মীহুৎশিং পুন্না তৌগদবনি, চীফ মিনিষ্টরগা উন্নবা মতমদা য়াওগদবা মীওইশিং হান্ননা খঙহনগদৌবনি, এ পি পান্দেনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর ওইনা তৌখিবা ফাইনান্সিয়েল অমদি এদমিনিষ্ট্রেটিব ইরিগুলারিটি থিজিন্নবা কম্মিসন ওফ ইনক্কারি এক্টকী মখাদা হায় পৱার কমিতি শেম্বা, এ পি পান্দে লৌথোকপগী দাবী মখা তানা চঙশিনবা অমদি প্রোফেসার দল্লীয়ু বিশ্বনাথ সিংহনা ভিসি ইনচার্জগী চার্জ লৌবা তারবদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কন্সটিট্যুয়েন্ট য়ুনিটশিংনা থমখিবা কন্দিসনশিং য়াবগা লোয়ননা কম্মিসন ওফ ইনক্কারি এক্ট ১৯৫২গী মখাদা কমিতি শেম্নবা মতুংদা চার্জ লৌনবা ৱারেপশিং মীতিং অদুনা ৱারেপ্পখি।

ঙসি মুসুগী মীহুৎশিংনা চীফ মিনিষ্টর উনরুরবা মতুংদা জুদিসিয়েল ইনক্কারি তৌবগী ৱাফম হৌদোক্লকপদা য়ানিংদবা ফোংদোক্লমখি। লোয়ননা মতুংদা ৱারী শান্নবা তারবদি য়ুনিভর্সিটি কম্ম্যুনিতিগী কন্সটিটুয়েন্ট অহুম্মক য়াওহন্নবা তকশিনখি হায়রি।

## সিকোগী কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

অমনা ঙাংবা অমনা তাদুনা থকসি খাসি চাওখৎপা হায়বদু ওগদৌরিবনি। মণিপুরগী সোসাইটিসিদা লৈরিবা মরুওইনা মীতৈশিংনা ইপা ইপুশিংগী লিক্লমদা চৎপা মতম ওইরে হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোংদোকখি।

থৌরমদুগী নুংগী ৱারোল থন্নদুনা সিকোগী সেক্রেটরী জনেরেল কোম্থৌজম ইবোচৌনা হায়, ইরমদমগী শক্তম ঙাক্লা হিংবা ঙমজনবগীদমক কলচরেলগী মীৎয়েংদা ফুরুপকি শক্তম কন্ননবগী ৱাখল্লোন্দা সিকো হায়রিবা লূপ অসি চহি ৮গী মমাঙদা লিংখৎখিবনি।

মহাক্লা হায়, লমদমসিদা লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লক্লিবা মিতোপশিংনা তুংদা খুল্লিংবা হায়বদু ওইরক্কদৌরিবগী মমি তারকপা অসি খ্বায়দগী নুংনাংনিঙাইনি।

ফুরুপকী শক্তম মাংলক্লবদি ফুরুপ অদু মুৎলক্লবনি। মরম অদুনা কংলৈ খুনাইগী মাংশিল্লক্লিবা নমথবিখ্রবা চৎনরোল, ইনাৎ, লাইনিং লাইশোল কয়াবু য়োকখৎনবা সিকোনা চঙশিল্লকপনি হায়না ইবোচৌনা মখাতাবা ৱাফম থমখি।

## মাওদা মীতোপ ১৬ হলহনখ্রে

তৌবদা মশাগী ভেলিদ ওইবা শক্তাক চে য়াওরমদবা মীওই ৪ থেংনদুনা হলহনখি।

মথংগী নুমিৎ থাসিগী ২দা মীওই ৬০ চেক তৌবদা মীওই ১ হলহনখি। থাসিগী ৩দনা মীওই ১০৯ চেক তৌবদা মীওই ৭ হলহনখি। থাসিগী ৪দনা মীওই ৭৮ চেক তৌবদা মীওই ২ হলহনখি।

অদুগা ঙসিনা মীওই ৬৭ ফ্রিস্কিং অমসুং চেক্কিং তৌবদা মীতোপ ২ য়াওরম্বগা লোয়ননা থাসিগী ১দগীনা ঙসি ফাওবগী নুমিৎ ৫নিসিদা পুন্না মীওই ৪৪৪ ভেরিফাই তৌবদা মীতোপ ১৬ হলনহনখ্রে হায়রি।

ইম্ফাল তম্না চঙশিল্লকপশিং ফ্রিস্কিং অমসুং চেক্কিং তৌদুনা ভেরিফাই তৌবগী থবকসি নোংমগী পুং ২৪ লেপ্তনা চখরি। মখা তানসু চখখিগনি হায়রি।

## বিজেপিনা ৱাকৎ মীফম ফমগদৌরি

থুদেকখিবগা লোয়ননা হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা সোলিদরিটি রেল্লি পোলিটিকেল পার্টিশিং অমদি অকোইবদা লৈবা মীয়াম্না চৎনবা থৌরাং তৌরম্বা অদু অথিংবা থমখিবনি।

## চয়োলগী চেফোং ‘জলাইলেং’ ফোংখ্রে

ইম্ফাল, আগষ্ট ০৫ঃ

ঙসি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বাটরদা লৈবা সাদর হিলস ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী ইগজিক্যু ওফিসার (টাউন)গী ওফিসতা পাঙথোকখিবা অচম্বা থৌরম অমদা ইও ওইরিবা পাওমিহ্লাং দোঙেলদা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা মফমসিদা চয়োলগী ওইনা লোন অনী (বাই–লিঙ্গরেল)দা ফোংগদবা চেফোং ‘জলাইলেং’ ফোংখ্রে।

চেফোং অসি কেবি চোংলোইনা এডিটর ওইরগা মেনেজিং কমিতি অমনা পব্লিসর ওইরগা ফোংবনি।

থৌরমসিদা কুকি ইনপি, মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এম থাংজোম, থাদৌ কুকি ইনপি, কাংপোকপীগী প্রসিদেন্ট লালখোশৈ লৌভুমনচিংবা শক্লাইরবা লুচিংবশিংনা শরুক য়াখি।

ৱা ঙাংখিবশিংনা হৌজিক্কী মতমদা পাউচে অমনা লৌরিবা থৌদাংশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোক্লখি।

## শাফোংখিবা নুমিৎকী নীংশিং থৌরম চিংলেম্না পাঙথোকখ্রে ঃ কেসিপি–এমসি (প্রো)

চেয়ারমেননা মখা তানা ফোংদোকখিবদা, ঙসি কেসিপি–এমসি (প্রোগেসিভ)না নিংহন্নবা লৈতনা হৌরক্লিবা য়াওল ইহৌ অসিগী অমত্তা ঙাইরবা পঙ্খুংগী পান্দমদি নীংতম্বা মৎপিখ্রবা ঐখোয়গী ‘ইপা লৈবাক’ কংলৈপাকপু অমুক হন্না য়েক্লবা লোইলম মপু ইন্দিয়া লৈঙাক্তগী তোখাই তাদুনা মনিং তম্বা মীপাল তাংদবা, মরোমদোম লৈঙাকচবা খুন্নাই অমগী শেংলবা শক্তম অদুবু অমুক হন্না পুরক্কুনা ঐখোয়গী মীয়ামদা শীন্নবদুনি হায়না অতেনবা ৱাহৈ খরা ফোংদোক্লগা মখা তানা অপুনবা, অশেংবা, মায়পাকপা য়াওল লাম্থেং কয়া চঙশিনমিন্নরসি হায়না ফোংদোকখি।

লূপ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরী কাপ্পা মঙাংনা মরিক চুম্বা ৱাফম খরা ফোংদোকখিবদা কেসিপি–এমসি (প্রোগেসিভ)না হেক শাফোংলকপদগী ঙসি ফাওবা চঙশিল্লকখিবা য়াওল ইহৌ অসিবু হেন্না মায় পাকপা খুমাং চাওশিনবা (প্রোগেসিভ) লম্বীদা লাকপা ঙল্লিবসি মাঙলমচৎ অমদি তুংলমচৎকীদমক লৈরম্বা অশেংবা লুপ্লোইশিং অমদি অপূনবা কম্যুনিষ্ট লাম্থেং অমগীদমক থৱাই ফাওবা পাম্মুবা লৈতনা ঙসিসু লেপ্লিবা কম্যুনিষ্ট ফম্নাইবশিং, লান্মীশিং অমসুং লূপপু নুংশিবীদুনা মোরেল সপোর্ট পীবিরকপা অমনুং মপাল খুদিংমক্কী অপূনবা থবক থৌরম্না ওইবা ঙল্লকখিবনি। মীয়ামগীদমক কখোক্লবা কমরেদশিংদা অপেনবা পোকই হায়খিবগা লোয়ননা কংলৈপাকপু মরু ফুক্তুনা মালেমদগী মাঙহনখিনবা হোৎনবদা য়েক্লবা কয়ানা পীরকখিবা অমদি পীরক্লিবা চৈথেংশিংগী মরমদসু শল্লপ্পা ৱাফম খরা ফোংদোক্লদুনা নৌহৌননা নীংশিংমিন্নখি মদুদি (১) মৈতৈ নিংথৌ চরাইলোংবা হাক্তক্তগী ময়াং লম্বোইবা শন্তিদাস গোসাইবু মৈতৈ লৈবাক্তা চঙজফম পীখিবনা লৈঙাক্লোনদা অচৌবা মহাম তাবগী মরু হুনহনখি। (২) ময়াং লম্বোইবা শান্তিদাস গোসাইনা পুয়া মৈ থাদোকখিবনা মরম ওইরগা সলাই তরেৎকী সনা লৈবাক। কংলৈপাক্তা মশাগী লৈজরম্বা লাইনিং লাইশোন চৎনা পথাপপু গৌরনিজম, রমানিজমগী লাইনিং লোইশোননা নমথদুনা থম্লক্লি। (৩) অৱাশিংনা কংলৈপাকপু মীখা পোন্দুনা চহী ৭ খুন্তাকপা ওইখি অমদি লনগৈ পুক্কে মাঙহন্দুনা কংলৈপাক্কী চুপ্লি পায়শিনখি। (৪) এঙগ্লো মণিপুর ৱারনা মরম ওইরগা কংলৈপাক্কী লনগৈ পুক্কে অমুক্কসু বৃটিশশিংনা চুপ্লি পায়শিন্দুনা ইরমদম্বু মীখা পোন্দুনা হেন্না মাংহন তাকহনখি। (৫) মরৈবাক্কীদমক থৱাই থাবা ঙমজখিদ্রবা মহারাজ বুধচন্দ্রনা অমুক সিল্লোংদা চৎতুনা ইন্দিয়াদা তিনশিনবগী ‘মির্গে এগ্রিমন্টে’ খূৎয়েক নম্ফুদা শাশোনদা পীহোকখিবনা ঙসিগী ফাওবা কংলৈপাক (মণিপুরী)গী ইরৈচাশিংনা হিরম খূদিংদা লৈখা তারক্লি।

মথং মথং...

লমায় ১ গী মখা

## এনআইএনা ফাগৎখিবা সনাগী মনুংদা লিক ৩...

অদুবু মণিপুর গভর্ণমেন্টনা হায়জবদগী গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়র্স (এমঐচএ)না মে ৩১, ২০১৮দা থোকখিবা ওর্দর নম্বর ১১০১১ /৩৬/২০১৮গী মতুংইন্না কেস অসি এনআইএদা খূৎশিন্নখিবনি।

এনআইএদা থৌদোকসিগী মতাংদা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেস নম্বরনা আরসি ২/২০১৮/এনঐচএ গুৱাহাটি অন্দর সেক্সন ১২০–বি, ৪০৯ আইপিসি অমসুং ২০ য়ুএ(পি) এক্টনি।

কেস অসিগী মখাদা এজেন্সি অসিনা এমএলএ য়ামথোং হাওকিপকী য়ুমদা রেইদ চখখ্রবা মতুংদা এমএলএ ঙমথং হাওকিপকী য়ুমদসু থি–হুম্বগী থবকশিং চখখ্রবনি।

## ইন্দিয়া–ম্যানমার ইন্টরনেস্নেল বোর্দর রোড হাংদোকপগী...

এন্দ টুরিজমদগী রোদ পার্মিট য়াওদ্রবদি চঙবা য়ারমদে।

গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী লম্বী অসি হাংদোক্লবা হোৎনবদা হেক্তা হাংদোকপদি নত্তে। মসি হাংদোক্লবা হোৎনবদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী গভর্ণমেন্ট অসি লাকপদগী এক্ট ইষ্ট পোলিসিগী কম্মিতি অমা শেম্বীদুনা মসিগী থবক অসি চঙশিনবা য়ানবা চঙশিনলকখিবনি।

মসিদা নত্তনা চীফ মিনিষ্টর মশামক্লা য়াঙ্গোনদা পাঙথোকপা কনফরেন্সদা য়াঙ্গোনগী পার্লিয়ামেন্টরিয়ান ময়ামগী মমাঙদা বোর্দর লম্বী অসি হাংদোক্ত্রবদি য়ারোই হায়না তকশিনবা অমসুং মহাক্লা ম্যানমারগী নুপী ফুটবোল টিম সঙাই ফেষ্টিভেল মনুংদা পুরক্কুনা ইম্ফালদা মেটচ শান্নবা অমসুং মণিপুরদগী টিম অমা ম্যানমারদা থাদুনা সাগাইং অমসুং মন্দলে চীফ মিনিষ্টরশিং য়াওনা বুজিনেস ইন্টরেক্সন তৌনদুনা হায়রিবা লম্বী অসি হাংদোক্ত্রবদি য়ারোইদবগী মরমশিং খন্নবদা মখোয়গী মায়কৈদগী মন্দলে অমসুং সাগাইং ষ্টেটকী মায়কৈদগী নেপিদোদা চত্তুনা তকশিনগনি হায়বগী থাজবা পীরকখিবা লৈখিবনি।

মসি হাংদোরকপদা সগাইং গভর্ণমেন্টকী অচৌবা দায়ত্ব অমা লৌরকখিবনি। বোর্দর লম্বী হাংদোকপগী ৱাহন্থোক য়াম্না চাউনা লৈগনি। ইং ২০১৮ দগী ২০২৮ ফাওবগী চহী ১০অসিদা মণিপুরনা চাউখৎপা ঙমহৌদ্রবদি মতম চুপ্পদা লায়রবা ওইগনি।

হৌজিক হোংলক্লিবা খোঙথাং অসিদা ঐখোয় মফম খঙনা শম্নহৌনবা হোৎনবা দরকার লৈ। লম্বী অসি হেক হাংদোরকপদা ঐখোয় লেনলোগ ষ্টেট ওইররোই, লেন্দ লিঙ্ক ষ্টেট অমা ওইরগনি। হাংদোক্লিবা অসিদা করি তৌবা য়াবগে হায়বসি খন্নবা দরকার লৈ।

ঐখোয়না ইকোনোমিকেল্লি নক্লগদবা মীওই অসি কনানো হায়বসি খঙবা দরকার লৈ। ঐখোয়না নকশিনগদবা অসি ম্যানমারগী সগাইং ষ্টেট অসিনি। মসিনা মণিপুরদা শেন্মীৎলোনগী অচৌবা শাফু অমা পীগনি।

লম্বী অসি হেক হাংদোকপগা সগাইং গভর্ণমেন্টনা লাক্লিবা আগষ্ট ১৯ দগী ২১ ফাওবা ইম্ফালদা মীওই ৬ না শাবা অৱাংবা থাক্কী মীহুৎ কাঙবু অমা লাক্কুনা সগাইং–মণিপুর সিতিজেন দাইলোগ অমা ইম্ফালদা পাঙথোক্কদৌরি। মসিদা ব্রেন ষ্টোর্মিং সেসন অমা পাঙথোক্লবা শেম শারি।

আগষ্ট ৮ দা হাংদোক্কদৌরিবা লম্বী অসিদা ভিসা ওন এরাইভেলগী খুদোংচাবদি লৈখিরোই তৌবদবু মসিদা ই–ভিসাগী খুদোংচাবদি লৈগনি।

ইন্দিয়াদগী ভিসা পায়রবা মীওই অমনা লৈখা লম্বী অসিদা ম্যানমারদা চঙবা য়ারগনি। ম্যানমারদা চঙনিংবা মীওইশিংগীদমক খুদোংচানবা এক্ট ইষ্ট পোলিসি কম্মিতি, মণিপুরগী মায়কৈদগী অখন্নবা ভিসা এরেঞ্জমেন্ট কাউন্টর অমা ইম্ফালদা হাংদোক্লগনি। কম্মিতি অসিগী ওফিস অমা সেক্যুর ওফিসতা হাংদোক্লবা শেমগৎলি। মসি হাংদোক্লবা মতুংদা মসিগী থবক অসি পায়খৎলগনি হায়খি।

হৌজিক ইম্ফাল মোরে লম্বীদা মরক্তা আর্ম্মিনা করিনা চেক তৌদুনা অচৎ অওকশিংদা খুদোংচাদবা থোকহল্লিবা অসি য়েংলগা নন–ইন্ত্রুসিভ ইন্সপেক্সনগী কার্গো স্কেনর খিন্দুনা পোৎচৈশিং চেক তৌনবা থবক অথুবদা পায়খৎনবা চীফ মিনিষ্টরগা লোয়ননা হোৎনরি। আই সি পি অসি হেক লোইবগা প্রাইম মিনিষ্টর লাক্কুনা ইম্ফাল মন্দলে বস সর্ভিস হৌদোক্লবসু থৌরাং তৌরিবনি।

হৌজিক ফাওবগা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈগী মন্দলে সেন্টরদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা হায়জবদগী ম্যানমার গভর্ণমেন্টনা লেন্দ রুট ত্রেদ সেন্টর অমা অৱাং নোংপোক ষ্টেটকী ওইনা পীবিনবা হায়বদা লম পীনবা থৌরাং তৌদুনা লৈরে। চীফ মিনিষ্টরগী য়াঙ্গোন খোঙচৎতা লায়নিংবশিংগী ওইবা মীথুংশঙ অমসু শাগনি হায়না লাওথোক্লম্বা লৈখ্রে।

লম্বী অসি হাংদোকপা অসিনা ম্যানমারদা লৈরিবা মীতৈশিং অসিদা অহোংবা খরদি পুরকপা য়াগনি।

লম্বী হাংদোকপগী থৌরম অসি লাক্লিবা আগষ্ট ৮গী ম্যানমারগী মতমদা অয়ুক পুং ৮.৩০ অমসুং ইন্দিয়াগী মতমদনা পুং ৭.৩০ তাবা মতমদা তমুদা থৌরম অমা পাঙথোত্তুনা লম্বী হাংদোক্কদৌরিবনি।

মফম অদুগী থৌরম অদু লোইরবা মতুংদা ম্যানমারগী টিম অদু মোরেদা লাক্কুনা মফম অদুদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং য়েংশিনবগা লোয়ননা ইলোরা হোটেলদা অচম্বা রিসেপসন থৌরম অমা পাঙথোক্কনি।

ম্যানমারগী টিম অদু মিনিষ্ট্রি ওফ লেবর, ইমিগ্রেসন অমসুং পোপুলেসনগী পার্মনেন্ট সেক্রেটরী উ এ ৱিন, কোন্সুলেট জেনরেল ওফ ইন্দিয়াগী কোন্সুল জেনরেল নন্দন সিংহ ভাইসোরা য়াওনা মীওই ৬ লাক্কনি হায়খি।

লম্বী হাংদোকপগী থৌরম অসিদা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগীসু ওফিসিয়েল কয়ানা শরুক য়াগনি হায়খি।

## হাৎলগা ফুমজিনখ্রে হায়বগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরদা...

ঙসি ফমখিবা মীফম অদুদা সিওঐচআর মণিপুর, অমুকো, য়ুসিএম, ইপসা, পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী, দি ৱার্কিং কমিতি ওফ দি অপুনবা লূপ মণিপুর, অমকিল, কংলৈ ইমা লূপ, ঈভম, অমৱোভা, ঐচআরএ, সিএলকে, এমএসএফ, এসএসয়ুএম, নুপী সমাজ, এমেস্কো, এফএফএফএম, কাদা, আইএফ, ইরবত ফাউন্দেসন মণিপুর, য়ুপিএফ, ইচল, এমসু, কেএসএ, তম্মী–চীংমী অপূনবা লূপ, য়ুএমও, কংলামৈ, নোংপোক লৈঙাক অপূনবা নূপী লূপনচিংবশিংগী লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা মীহাৎশিং অদুগা মরী লৈননা জেএসি অগেনষ্ট দি কোল্ড ব্লদেদ মর্দর ওফ গুরুময়ুম জিতেশ্বর শর্ম্ম, থাংজম শতিস, থৌনাওজম প্রেম, আরকে রোনেল এলাইজ রোসন, ফিজম নাওবী বাই ওফিসিয়েল ওফ ৩ কোপস ইন্টিলিজেন্স এন্দ সর্ভিলেন্স য়ুনিট (সিআইএসয়ু), ইন্দিয়ান অর্মি কৌবা অমা শেমখি লোয়না মীয়ামগী মীফম অদুনা লৈখিদ্রবা গুরুময়ুম জিতেশ্বর শর্ম্মা অমদি থাংজম শতিসকী হকচাং ইমুং মনুংদা শীন্নৌ, নাগামপাল শীংজবুং লৈরক্তগী গুরুময়ুম জিতেশ্বর শর্ম্মা, শগোলবন্দ থাংজম লৈরক্তগী থাংজম শতিস, লোংগোল লাই মনাইদগী থৌনাওজম প্রেম, তেরা সয়াংদগী আরকে রোনেল এলাইজ রোসন অমদি থাংমৈবন্দ খোমদ্রাম শেলুংবদগী ফিজম নাওবীগী মীহাৎ অসিগী মতাংদা সিবিআইনা নৎত্রগা এসআইটি অমা শেমদুনা মনিং তম্বা এজেন্সি অমনা থিগৎহনবা, মীহাৎ অসিদা মরাল লৈবা ইন্দিয়ান অর্মিলোগী মতুং ইন্না চৈরাক পীয়ু, মণিপুরদগী আর্ম ফোর্স স্পিসিয়েল পৱার এক্ট ১৯৫৮ লৌথোকহনবা অমদি মণিপুর গভর্ণমেন্টনা হায়রিবা দিমান্দ অসি ফঙহন্নবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিদা তকশিনগদবনি হায়বা য়াওনা ৱারেপ মঙা লৌখি।

মীয়ামগী মীফম অদুদা লৌরবা মতুং হায়রিবা দিমান্দ ৫ য়াওবা মোমোরেন্দম অমা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনদা পীশিন্নবা মীয়ামগী রেল্লি অমা চৎখি। রেল্লি অদুনা নাগামপালদগী শামুমখোঙ ফাওরক্লগা চীফ মিনিষ্টর বঙ্গলোর তম্না লাকপদা কংলাগী ৱেষ্ট গেটতা পুলিসশিংনা রেল্লি অদু থিংদুনা মখা তানা চৎহনখিদে। মতুংদা মীওই ৬না শাবা মীহুৎ কাংবু অমা চীফ মিনিষ্টরগা উন্নরবা মতুং মেমোরেন্দম অদু পীশিনখি।